# থাই ৱাকংলোইশিংনা মীখলগী রেজিষ্ট্রেসন তৌফম থিংজিনখ্রে




*বেঙ্কোক, দিসেম্বর ২৩ঃ* মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা থাইলেন্দগী মীখল অদুগীদমক মীরেপশিংনা রেজিষ্টার তৌগদৌরিবা ষ্টেদিয়ম অদু ঙরাং গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ৱাকংলোইশিংনা কোয়শিন্দুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াহনখিদ্রে।

ৱাকংলোই লিশিং কয়ামরুমনা গভর্নমেন্ট লৈহন্দনবা অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর মফম থাদোক্লবা খোল্লাউশিং লাউদুনা ঙরাং ৱাকং খোঙজংসু চংখি। মেইন ওপোজিসন ওইরিবা দেমোক্রেট পার্টিনা মমাংদা মীখল অসি বোয়কোট তৌগনি হায়নসু লাউথোকখ্রবনি।

ৱাকংলোই লুচিংবা মশাসু দেমোক্রেট পার্টিগী সেনিয়ার পোলিটিসিয়ান অমা ওইরিবা সুথেপ থাউংসুবাননা মমাংদা ঐখোয়না মীখল অসি য়ানিংদে। মীখল অসিগী মমাংদা লৈবাক অসি হান্না শেমদোকপা পাম্মী হায়নসু লাউথোকখ্রবনি।

ৱাকংলোইশিংবু বেঙ্কোক্কী থাই জপানিজ ষ্টেদিয়মদা পুনশিন্নবা মহাক্না ঙরাং তকশিনখি। হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি। করিগুম্বা নহাক্না মীখলগীদমক রেজিষ্ট্রার তৌবা পাম্নবদি ঐখোয়গী খোঙ নেংলগা পোল রেজিষ্ট্রেসন ষ্টেদিয়মদা চংবা তাবনি হায়না সুথেপনা লাউথোকখি।

মসিনা মরম ওইদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী মীরেপ ওইগদবশিংবু লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমদা ওইনা রেজিষ্ট্রেসন তৌহনখি।

মদুদগী ৱাকংলোইশিংনসু পুলিস ষ্টেসন অদু কোইশিন্দুনা রেজিষ্ট্রেসনগী থবক থিংনবা হোৎনখি। ঙরাং নোংমাইজিংদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা পাউমীশিংদা হায়খিবদা মীখল হায়বসিদি পাঙথোক্তবা য়াদবনি। মরমদি ৱাকংলোইশিংনা গভর্নমেন্টপু ইকাই খুম্নদ্রবসু দেমোক্রেটিক সিষ্টেমদি ইকাই খুম্নগদবনি হায়রদুনা ৱাকংলোইশিংনা ফোঙদোক্লিংবা য়ানিংদবা পুন্নমক বেলোট বোক্সকী খুথাংদা ফোঙদোক্লা হায়খি।

থাইলেন্দদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি হৌখ্রবা চহি ইং ২০০৬ তা মতমদুগী থাকশিন সিনাৱাত্রাগী গভর্নমেন্ট উথাইখিবা মতুংদগী ওইরকখিবনি। ইং ২০০৭ তা কন্সটিট্যুসন অমুক হন্না পাঙথোকপা মীখলদা থাকশিনবু য়াবশিংনা মফম অয়াম্বদা মায় পাকখি।

মদুগী মতুংদা ইং ২০০৮ দা করপসনগী ৱায়েল অমা চথরক্ত্রিঙৈ মমাংদা থাকশিন্না লৈবাক থাদোক্তুনা মশাবু ইকজাইল থাজদুনা চংখি। চহি অদুদা য়েল্লো সার্ট লিংৎপা ৱাকংলোইশিংনা ইরাং হৌরকপদা বেঙ্কোক্তা লৈঙাক সাসনগী থবক চপ লেপখি।

মদুদগী কন্সটিট্যুসনেল কোর্টনা পিপল পৱার পার্টিবু অথিংবা থমখিবদগী অভিসিট বেজা জিবানা পৱার পায়খৎলকখি। ইং ২০১০ দা থাকশিনবু শৌগৎপা রেদ সার্ট লিংৎপশিংনা নৌনা ইরাং অমুক শাগৎলকখি। ইং ২০১১ দা পাঙথোকপা মীখলদা য়িংলুক সিনাৱাত্রানা ফ্যু থাই পার্টিগী মীরেপ ওইনা মীখলদা মায় পাকখি। চহি ২ গী মতুংদা ইং ২০১৩ গী নভেম্বর থাদগী গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকংলোইশিংনা লম্বী লমজাওদা অকনবা ৱাকং খোঙচৎশিং চথরকখি।

চহি অসিগী দিসেম্বর থা অসিমক্তদা ওপোজিসন এম পিশিং রিজাইন তৌখিবগা লোয়ননা য়িংলুকনা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

মহাক্না হায়খিবদা ঐখোয়না দিমোক্রেটিক সিষ্টেম অসিবু চেকশিন্না য়োক্লগদি ঐখোয়না করিবু য়োক্লিংঙাই লৈরিবগে হায়নসু ৱাকংলোইশিং অদুদা হংখি।

গভর্নমেন্ট অসিবু য়াবিদ্রবসু দিমোক্রেটিক সিষ্টেম অসিবুদি য়াবিয়ু হায়নসু মহাক্না ৱাকংলোইশিংদা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

# পুসি রাইওট মেম্বরশিং জেলদগী থাদোকখ্রে



*মোস্কো, দিসেম্বর ২৩ঃ* রুসিয়াদা চথখিবা পুসি রাইওট হায়বা থৌদোক অমদা চেন্নবদগী মতম কুইনা জেলদা লৈরক্লবা রুসিয়ান পঙ্ক প্রোটেষ্ট বেন্দ অমগী মেম্বর অনি এমনেষ্টি লোগী মখাদা কৈশুমশঙদগী থাদোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাইবেরিয়াগী প্রিজন হোস্পিটাল অমদগী নাদেজদা টোলোকোনিকোভা অমদি মহাক্কী বেনবেদ মেরিয়া অলিওখিনা অনিবু ঙসি অয়ুক জেলদগী থাদোকখিবনি। জেলদগী হেক থোক্লকপগা মখোয় অনিমক্না এমনেষ্টি লো অদুবু হুনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদা ৱিন্টর ওলেম্পিক্স হোষ্ট তৌগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা চথবা পি আর ষ্টন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নুপী অনিমক ইং ২০১২ গী ওগষ্ট থাদা জেলদা থমখিবনি। মোস্কোগী মেইন কেঠেদ্রেল অমদা প্রোটেষ্ট সোং অমা শক্লুবদগী অনিমক ফাখিবনি। অমরোমদা লৈঙাক থৌদা নৈনবশিংনদি প্রসিদেন্ট পুটিনগী অনৌবা খোঙথাং অসি নোংচুপ লৈবাকশিংগী মমাংদা মহাক্কী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দ ফজনা ঙাকপগী শক্তম অমা শাগৎনবা তৌবনি হায়না ফোঙদোক্লখ্রে।

এমনেষ্টি লো অসি হেক চৎনবা হৌবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা পুটিননা মতম অমদা রুসিয়াদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীশক ওইরম্বা অদুগা মহাক্কী লন্নাই ওইবা য়েক্লবা মীখাইল খোদোরকোবসকীবু ঙাকপীবগা লোয়ননা থাদোকখিবনি। খোঙথাং অদুমকসু রসিয়াদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা পুটিননা নোংচুপ লৈবাকশিংগী পুক্নিং ফাদনবা থৌওইনা তৌবনি হায়না ফোঙদোক্লখ্রবনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিংদা বার্লিনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা খোরদোরকোপসকিনা পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চহি ১০ রোম হেন্না মহাকপু জেলদা থন্নকখিবা অদুবু মমৈথংদা মহাকপু ঙাকপীখিবা মীশক অদুগী মফমদা তাথিবা অমত্তা লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা পুসি রাইওট মেম্বরশিংগী ফিরেপতি থোইদোক্লা পেন্থোকপা ফাওদবা ওইনা লৈরি। টোলোকোনিভাগী মপুরোইবনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা চহি ২ কৈশুমশঙদা লৈরকপদগী মখোয়না ফংলকপা হায়ববু পুটিনগী লৈঙাক অসিগী মথক্তা হেন্না কনবা লাঞ্জং চংশিন্নবগী মশাদা থাজবা ফাওবা অদুনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অলিওখিনাগী ৱাহৈশিং অমদি হেক থাদোক্লবা মতুংদা মহাক্না লৌখৎখিবা থবক অদুগী য়েংলগদি মঙোন্দা হান্নদগী হেন্না তাথিবা অমসুং অততাই ওইনা পুটিনগী মায়োক্তা ফিরেপ অমা লৌবা ওইনা উখি হায়রি।

পনবা য়াবদি নুপী অনিমক্কী মথক্তা তাখিবা চৈরাক্কী ৱায়েল অদুদি মথং চহিগী মার্চ থা ফাওবা কৈশুমশঙদা লৈবগীদমকনি। অদুবু রসিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা মমাং চয়োলদা পাস তৌখিবা লো অমগী মখাদা কৈশুমশঙদা লৈরিবা পোলিটিকেল প্রিজনর লিশিং ২০ হেনববু চৈরাক্তগী কোমথোকপা হায়বসি তৌদা য়াদবা অমা ওইরকখিবনি। থাদোরক্লবা পুসি রাইওট মেম্বর অনিমক পীক্লিবা মচাশিং লৈরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# খা সুদান আর্মিনা বোর টাউন হন্দোক্লবা চংশিনখ্রে

*জুবা, দিসেম্বর ২৩ঃ* খা সুদানগী লান্মীশিংনা লালহৌবনা খুদুম চন্দুনা লৈখ্রবা বোর টাউন অমুক হন্দোক্লবা শেম শারে হায়না খা সুদানগী প্রসিদেন্ট সালভা কারনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবদা মহাক্কী লান্মীশিংনা খোঙশানগদবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা হন্দোক্লবগী থৌরাং তপথরক্লিবসি হান্না য়ু এসকী সিটিজেনশিংবু এরোপ্লেনদা পুথোকখিবা য়াহন্নবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জোংলৈ ষ্টেটতা ইরাং কনবা মফম অমা ওইরিবা বোর টাউন অসি হৌখিবা য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা লালহৌবশিংনা লৌশিনখিবনি। মদুগী মতুংদগী কাংলুপ নাইনবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংনা লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোকপা য়াবগী অকিবা পীরকখিবনি। য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ান ষ্টাফশিংনা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা নুংশা থিবা ফোঙদোক্লখ্রবনি। মসিগী মমাংদা খা সুদান লান্মীনা থাও য়াম্না থোকপা য়ুনিটি ষ্টেটকী কোনুং বেন্টিয়ুসু হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক্ট মচারবু শৌগৎপা ফাইটরশিংনা লৌশিনখ্রে হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রবনি। খা সুদানদা মশিং য়াম্বা কাংলুপ ওইরিবা দিঙ্কা কাংলুপকী প্রসিদেন্ট অমা ওইরিবা কারনা হৌখিবা জুলাই থাদা ন্যুয়োর কাংলুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা রিয়েক্ট মচারবু মফমদগী লৌথোকখিবনি। মতমদুদা মচারনা মহাক্কী মথক্তা মিলিটরি কু চথনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখিবনি। অদুবু কারনা শীরিবা মরাল অদু মচারনদি শুকয়া য়াখিদে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা খা সুদানগী কোনুং জুবাদা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা হৌজিক হৌজিক মফম অদুদা লৈবা য়ু এন কম্পাউন্দা অমদা মীচম লিশিং ৪০ হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাঙাংলোই অসিনা হায়বগী মতুংইন্না লুট পাটকী থবক কা হেন্না চাওনা চথরে। নোংমৈ য়াম্না কাপ্পরে। অদুগা অশিবা মশাসু য়াম্না উরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খা সুদানদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স মিসননা হায়বগী মতুংইন্না মখোয়না কৈদৌঙৈদসু মীচম মীয়ামশিং অসিবু হুন্দোক্লগ্নোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মিসন অসিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা য়ু এননা তৌরিবা অসি লালহৌ লুচিংবশিং পাউ ফাওননবা অদুগা হাৎন-শুনবগী ফিভম অসি খ্বাইদগী অথুবা মতমদা লোইশিনবা য়ানবা উপাই থিবা অদুনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংলদুনা খা সুদানগী প্রসিদেন্ট কারনা মচারগা ৱারী শাননিংবগী ৱাফম য়াম্না তোয়না ফোঙদোকখি।

ৱারী শানবগী থৌরাং অসিদা ইষ্ট আফ্রিকাগী ফোরেন মিনিষ্টর কয়ামরুমগী দেলিগেসন অমনা ৱাতাইনবা ওইগে হায়রক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মচারনা ৱারী শানবা পাম্নবদি করিগুম্বা কন্দিসন অমত্তা থমদনা থোক্লক্কদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। য়ু এনগী ওফিসিয়েল অমনা মমাংগী চয়োল অমা বোরদা লৈরবা মতুংদা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা চয়োল অদুগী মনুংদা মীওইবগী ৱাখলনা লামশিনবা ঙম্বা খ্বাইদগী কিনিঙাই ওইবা থৌদোক খরা উরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মফম অদুদা করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা লাকশিনবা য়াদ্রবা মীয়াম অমনা অতোপ্পা মীয়াম অমবু পরেং লেংহল্লগা য়াম্না লায়না হেক্তমক হাৎখি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

# মপানা মচাগী উৎপু দাইমন্দ ওইনা ওন্থোকখ্রে

*নিউয়োর্ক, দিসেম্বর ২৩ঃ* ইটলিদা খ্বাইদগী অহানবা থৌদোক অমা ওইনা মচানুপা অমা লৈখিদবদগী থম্মোই শোকখ্রবা মপা অমনা মহাক্কী মচাগী নিংশিংববু মতম চুপ্পগী ওইহৌনবা থৌরাং অমদা মশাগী চহি ২০ দা লৈখিদবা মচানুপা অদুগী উৎপু দাইমন্দ ওন্থোকখ্রে হায়রি।

শিখ্রবা মতুংদা মপা অদুনা মচা অদুবু মৈদা থাদুনা উৎ ওইনা খোমজিনখি। উৎ অদু স্বিটজর্লেন্দা থারগা জেমষ্টোন ওইনা কম্প্রেস তৌহনখিবনি।

চহি অসিগী হৌরকপদা কার এক্সিদেন্ট অমদা চহি নৌরিবা মচানুপা অদু শিখিবনি। অদুগী মতুংদা অৱাং থংবা ইটলিগী মখোয়গী হোম টাউন ওইরিবা ত্রেভি জোদা মচানুপা অদুবু লৈনুং চনখিবনি। মশাগী চহি ৫৫ শুরবা মপা অসিনা মচাগী উৎপু দাইমন্দ ওন্থোকপগী ৱাখল্লোন অসিদি কোন্না লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি অসিগুম্বা নিংশিংনিঙাই ওইবা দাইমন্দশিং মৈ থাখিবগী উৎ অদুদা য়াওবা কার্বোনশিংবু শেংনা শুংদোক্তুনা লৌথোক্লগা চেম্বর অমদা হাপচিনগদবনি। অদুগা চেম্বর অদুদা মৈগী চীং পোকখাইবদা থোকপা মৈশা অদুগী চাং য়ৌনা শাহল্লবা মতুংদা কা হেন্না কনবা প্রেসর পীবা মতমদা কার্বোনশিং অদুনা সিন্থেটিক দাইমন্দ ওল্লকপনি হায়নসু ইটলিগী পাউ-চে অমদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

শিরিবা মীওই অমগী উৎপু অসিগুম্বা থৌওংদা দাইমন্দ ওন্থোকপদা য়ু এস দোল্লর লিশিং ১৮ চংই হায়নসু ন্যুয়োর্ক দেলি নিউজনা ফোঙদোকখি।

থা ৮ চুপ্পা খোইরাংনা ঙাইরক্লবা তুংদা মপা অদুনা হন্দক্তা সিন্থেটিক্কী ওইবা রিমেন্ত্রান্স দাইমন্দ অসি ফংখ্রে হায়নসু পাউ অমদা ফোঙদোরক্লি।

## ষ্ট্রোক তৌরমদাইগী খুদমশিং

*সেরেবো ভাস্ক্যুলার এক্সিদেন্ট (সি ভি এ) নত্রগা ষ্ট্রোক হায়রিবসি থোপতা য়ৌগদবা ঈগী ইচেল লমখাংদা থৎখিবদগী থোপনা মথৌ তৌবা ঙম্লক্তবগী ফিভম অদুনি। মসি থোপতা চংবা ঈশেং পুবা শিংলি অমা কাইবদগী নত্রগনা ঈ-উতোংদা ফমজিনবা ঈনা ইচেল থৎপদগী থোকপা য়াই। থম্মোয়গী লায়নাগী হেক মথংদা ষ্ট্রোক হায়বসিনা মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না মীবু শিহন্নবগী মরম ওই। ষ্ট্রোক মখল অনি শুই। 'ইস্কেমিক ষ্ট্রোক' হায়বসিনা থোপতা য়ৌগদবা ঈগী লম্বী থৎখিবা অদুগা থোপকী অকক্লবা মফম অমদা টিসুশিং মাঙ তাকপা অসিবুনি। মসি ফমজিনবা ঈনা ইচেল থৎপদগী (থ্রোম্বোসিস) নত্রগনা ঈদা তাউদুনা চৎপা ফমজিনবা মচাকশিংনা ঈগী ইচেল থৎপা অসুম্না থোকহনবা য়াই। থৌওং অসিদা সিষ্টেমিক হায়পো পার্ফিয়ুজন অসিনা মরম ওইদুনা থোপতা ঈ ফংবগী চাং হন্থহল্লকই। মসি নত্তবা অতোপ্পা মখল অমনা 'হেমোরেজিক ষ্ট্রোক' হায়বসিনি।*

*থোপকী মমায়দা নপতুনা চেনবা ঈ-উতোং পোকখাইখিবা অদুগা কোক্কী শরু তুম্বাগা থোপকা অনিগী মরক্তা ঈ হাজিনবা অসুম্নসু থোকহনবা য়াই। অদুগা দ্যুরেল ভেনস সাইনসশিংদা ঈ ফমজিনবদগী থোপতগী ঈ চখোকখিবনসু ষ্ট্রোক (ভেনস থ্রোম্বোসিস) থোকহনবা য়াই।*

*অনি অসি নত্তবদা 'সাইলেন্ট ষ্ট্রোক' নত্রগা 'ট্রান্সিয়েন্ট ইস্কোমিক এটেক (টি আই এ)' হায়বসিনা মতেক খরগী ওইনা থোপতা ঈ হৌরক্তবা অদুবুনি।*

*চেকশিনগদবা খুদমশিংদিঃ–*

*ষ্ট্রোক থোকপদা পুন্সি কলহৌনবা নত্রগনা হকচাংগী ফিভম থুনা ফগৎহনবা ঙম্নবা ষ্ট্রোক তৌরমদাইগী খুদমশিং শেংনা খঙবা ফৈ। খুদমশিং অদুদি ১) খোঙ, খুৎ নত্রগা মাই অয়াম্বা মতমদা মায়কৈ অমরোমদা শোন্থরকপা নত্রগা পংথরকপা ফাওরকপা ২) মাইগী শরুকশিং তুকথরকপা ৩) ৱাখল চমন্নরকপা নত্রগা খঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থরকপা ৪) দা ৱা ঙাংবদা খুদোং চারক্তবা ৫) মিৎ নাম্মা নত্রগা অনিমক উবগী মঙম হন্থরকপা ৬) কোক ঙাওরকপা হকচাংগী কো ওর্দিনেসন অমদি বেলেন্স খঙলক্তবা ৭) কোক কন্না চিক্লকপা হায়রিবশিং অসি ষ্ট্রোক তৌরমদাইগী শোইদনা খঙগদবা খুদমশিংনি।*

*ষ্ট্রোক্কী খুদোংথিবা নংগনবা ফেক্টরশিং খরসু লৈরি। মখোয় অদুদি ১) চহি য়ামশিল্লকপা ২) হায় ব্লদ প্রেসর ৩) হায় কোলেষ্টেরোল ৪) মৈখু শীজিন্নবা ৫) আর্টেরিয়েল ফাইব্রিলেসন ৬) দাইবেটিজ ৭) ওবেসিটি ৮) ইমুংগী মীওইশিংগী মরক্তা ষ্ট্রোক নংখিবা ৯) মমাংদা ষ্ট্রোক নত্রগা টি আই এ থেংনখ্রবশিং হায়রিবা মীওইশিং অসি ষ্ট্রোক্কী খুদোংথিবা নংবা য়াবশিংনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।*

# ইষ্টানবুলদা ৱাকংলোইশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে



*ইষ্টানবুল, দিসেম্বর ২৩ঃ* কুমসি চহিগী হৌরকপদা ইষ্টানবুলদা থোকখিবা ৱাকং ঈহৌ অমগী মখা শমথরকপা ওইনা নৌনা ৱাকং ঈহৌ অমা অমুক হৌরকপদগী টুর্কিগী পুলিসকা ৱাকংলোই লিশিং কয়াগা ইষ্টানবুলদা খুৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

টুর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর রিসেপ্ট টায়িব এর্দোগাননা ইরাং অসি থোক্লবা শীনবশিংগী মখুৎ থুদেক্কনি হায়না ৱাশকখ্রে। ইরাং অসি ইহান হান্না কেদিকোই স্কৱারদগী হৌরকখিবনি। লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা টাউন অমদা প্রাইম মিনিষ্ট এর্দোগান এন্টি টুর্কিস ওইবা লাং থাকপা মীশিংনা মহাক্কী লৈঙাক অসিবু মশক থিহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অচৌবা করপসনগী ৱাথোক অমদা কেবিনেট মিনিষ্টর অনিগী মচাশিংবুসু মথক্তা চার্জশিং ফ্রেম তৌখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা থিজিনবদগী মীওই ২৪ গী মথক্তা চার্জশি থাগৎলে। মখোয় পুন্নমক শেল পীজবা থৌদোক অমদা চেন্নবগী চিংনবা লৈরে। অর্বান দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং অমদি কন্সত্রক্সন পার্মিটশিং পীবগী থবক মখোয়না শেঙ্গা-থুমজা চথখিবগী চাওনা চিংনবা লৈরে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মুৱমর গুল্লরগী মচানুপা বেরিস গুল্লর অমদি ইকোনোমি মিনিষ্টর জাফর কাগলয়ানগী মচানুপা কান কাগলয়ান অনিসু ফাজিন্দুনা থন্নিবশিংগী মরক্তা য়াওরি। অদুগা ষ্টেটনা চলাইবা হোল্ক বেঙ্ককী চিফ একজিক্যুটিভ সুলেমান অস্লানসু ফাবদা য়াওরি। টুর্কিদা লিখুন খরনা হায়খিবদা মী ফারিবা অমদি নোংমৈ কাপ্পরিবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর এর্দোবু শৌগৎপা মীওইশিং অমদি হৌজিক হৌজিক য়ু এস তা লোই থাদুনা লৈরিবা ইস্লামিক স্কোলার ফেটুল্লা গুলেমবু শৌগৎপা মীওইশিংগী মরক্তা খৎনরকপদগী ওইরকপা ইরাং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইষ্টানবুলদা ৱাকংলোইশিংনা মফম খুদিংমক্তা শেঙ্গা-থুমজা লৈরে হায়না খোল্লাউশিং লাউখি হায়রি। খোল্লাউ অসি কুমসি চহিগী কালেন থাদা তাক্সিম স্কৱারদা চথখিবা মীয়ামগী ৱাকং-ঈহৌ অমদি খোন্থাং ওইগনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং নোংমাইজিংদা পুলিসনা ৱাকংলোইশিং তানখাইনবা টিয়ার গ্যাস অমদি ৱাটর কেনন শীজিন্নখি। ৱাকংলোইশিংনসু পুলিসনা খিনবা বেরিকেটশিং মৈ থাদোকখি। ব্লেকসি টাউন অমা ওইরিবা গাইরেসুনদা প্রাইম মিনিষ্টর এর্দোগাননা মহাকপু শৌগৎপা মীয়ামদা হায়খিবদা ইস্লামিষ্ট লুচিংবশিংনা শৌগৎপা এ কে পার্টি অসিনা লৈবাক অসিগী মপান্দা অরোনবা লাল্লোং খরা থৌরাং তৌদুনা লৈবাক অসিবু অনি থোকহন্নবা শীল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসি ঐখোয়গী য়েক্লবা অমদি মরুপ অনিমক্না খঙ্গদবনি। লৈবাক অসিদা লৌনম লাং থাক্তুনা ইরাং থোকহন্নবা অমদি লৈবাক অসিগী নিংতম্ববু শোকহন্নবা হোৎনবা খুদিংমক্না খঙ্গদবদি নোংমদি ঐখোয়না মখোয়বু থিরগা মখুৎশিং অদু থুদেক্কনি হায়বসিনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

# এপলনা চাইনা মোবাইলগা দিল অমা য়ানখ্রে



*নিউয়োর্ক, দিসেম্বর ২৩ঃ* য়ু এস টেক্নোলোজি জাইন এপলনা মসিগী আইফোনশিং চাইনাদা ললোনবা য়ানবা চাইনা মোবাইলগা য়ান-চে অমা সহি তৌনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি চাইনিজ ফার্ম অসি সবস্ক্রাইবর মিল্লিয়ন ৭৬০ লৈদুনা মালেমনা খ্বাইদগী কেরিয়ার অমা ওইরিবনি। অদুগা চাইনদা ইহান হানবা ওইনা ফোর জি লাইসেন্স পীখিবা নেটৱার্ক অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। এপলনা চাইনাদা মসিগী পোখোকশিং য়োনবগী চাং হেনগৎহন্নবা পান্দম তৌরি। চাইনা অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা স্মার্ট ফোন মার্কেট অমসু ওইরিবনি। এপলনা চাইনাগী স্মার্ট ফোন মার্কেট অসি পায়বা ঙম্নবদি অকনবা কম্পিটিসন চংশিল্লক্লিবা রাইভেলশিং লম্বা তৌবা ঙম্নবা পান্দম তৌরিবনি। খ্বাইদগী কোন্না য়ানখ্রিবা অসিনা মসিগী মার্কেট সিয়ার শোইদনা হেনগৎহনগনি হায়না এপলনা থাজরি। এপলগী একজিক্যুটিভ টিম কুকনা থোকপা চেরোল অমদা হায়খিবদা, চাইনা অসি এপলগীদমক্তদি খ্বাইদগী মরুওইবা মার্কেট অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না চাইনা মোবাইলগা পার্টনর ওইবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা কষ্টমর নেটৱার্ক অমদা আইফোনশিং য়োনবগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আই টি রিসার্চ এদভাইজর কেন দুলানিনসু হন্দক্কী দিল অসি য়াম্না চাওবা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহি অসিগী হৌরকপদা কুকনা হায়খিবদা নোঠ অমেরিকাগী মহুৎতা চাইনানা খ্বাইদগী চাওবা রেভিন্যু তানবা ঙম্বা লৈবাক শোইদনা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি আইফোন অসি এপলগী খ্বাইদগী শেন্দোং ফংহনবা প্রদক্ত অমা ওইরিবনি। অদুগা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা ফোন কেরিয়ার ওইরিবা চাইনা য়ুনিকোম অমদি চাইনা টেলিকোম্নসু মসিগী সবস্ক্রাইবরশিংদা আইফোনশিং ফংহনবা হৌখ্রে।




# এরোপ্লেননা এয়ারপোর্ট বিল্ডিংদা খেগাইখ্রে

*জোহানেস বর্গ, দিসেম্বর ২৩ঃ* পেসেঞ্জর ২০০ রোম পুবা বৃটিশ এয়ার ৱেজগী এরোপ্লেন অমদা জোহানেস বর্গতগী পাইখৎনবা হোৎনরিঙৈদা এরোপ্লেন অদুনা তাম্বো ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টকী বিল্ডিংদা য়েৎ থংবা মশানা খেগাইবদা প্লেনদা তোংবা মীওই ৪ অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

খা আফ্রিকাগী সিভিল এভিয়েসন ওঠোরিটিনা হায়বদা এয়ার ক্রাফট অদু য়াম্না খুবা টেক্সি ৱে অমদা চেল্লকপা মতমদা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

কন্ট্রোল টৱারনসু এরোপ্লেন অদুদা মফম অদু নত্তবা অতোপ্পা টেক্সি ৱে অমদা চৎনবসু খঙহনখি। অদুবু পাইলোট অদুনা খঙদবদগী অরানবা টেক্সি ৱে অদুদা থৌজিনখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা য়াওখিবা জোন হার্ট হায়বা পেসেঞ্জর অমনা হায়বদা ঐখোয় টেক্সি ৱে অদুদা থৌরিঙৈদা য়াম্না হৌবা মখোল অমা তারকখি হায়না ফোঙদোকই।

## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-107

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | | 9 | | | |
| 5 | | | | | 3 | | | |
| | | 6 | | 7 | | | 1 | |
| | 9 | 2 | | | | | 8 | 7 |
| | | | 3 | | 2 | 4 | 9 | |
| 6 | | | | | | | | |
| | | | | 8 | | 9 | | |
| 9 | 7 | | | | | | | |
| | 1 | | | 5 | | | | 6 |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 9 | 8 | 4 | 1 | 5 | 2 | 3 |
| 8 | 1 | 5 | 3 | 2 | 6 | 4 | 7 | 9 |
| 2 | 4 | 3 | 5 | 7 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 3 | 6 | 1 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 7 | 6 | 3 | 4 |
| 4 | 5 | 7 | 6 | 3 | 2 | 9 | 8 | 1 |
| 1 | 2 | 8 | 4 | 6 | 5 | 3 | 9 | 7 |
| 7 | 3 | 6 | 2 | 9 | 8 | 1 | 4 | 5 |
| 5 | 9 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*